**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-06-2025)**

**জ়ন ১৮(এল) ঃ** ২৪ শুবা দ গ্রেট জ়ন অপ্রাইজিং, য়ুনিতি ডেগী থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা মীয়ামা লৈ-শু কৎতুনা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগী মতাংদা ২৪ শুবা দ গ্রেট জ়ন অপ্রাইজিং, য়ুনিতি ডেগী ওবজারভেসন কমিতিগী চেয়ারমেন-ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-কুমজা ২০০১ গী জ়ন ১৮ দা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না হৌরকখিবা মীয়ামগী ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিং অদুবু নীংশিংদুনা কুমশি চহিগী ওইনসু পালন থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি।

মরক অসিদা, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা দ গ্রেট জ়ন অপ্রাইজিং, য়ুনিতি ডেগী থৌরমগী য়েংলগা মীয়ামগী চখোক চৎশিনদা খুদোংচানবগীদমক রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংনা চেরোল অমা থোকখ্রে। মদুগী মতুং ইন্না হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী থৌরম অসি লোইদ্রি ফাওবা উখুল অমসুং শওম্বুং লোমদগী লাকপা গারিশিং লম্লোং বজারগী অৱাং থংবা মাইকৈদা খামগনি।

পাঙ্গৈ রোমদগী লাকপা গারিশিংনা লম্লোং হাইস্কুলদা খামগনি, সেকমাইদগী লাকপা গারিশিং খোঙনাং অনি কারক লোমদা চৎলগা ইন্তর ষ্টেট বস তর্মিনস অমসুং খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মদা খামগনি, উরিপোক কাংচুপ রোদতা লাকপা গারিশিং জাস পেত্রোল পম্প-উরিপোক কোস্মো দেন্তেল ক্লিনিক এরিয়াদা খামগনি, শগোলবন্দ লম্বীদা লাকপা গারিশিং জিরি পার্কিংদা খামগনি, তিদ্দিম লম্বীদগী লাকপা গারিশিং ক্বাকৈথেলদগী তেরা বজার রোমদা লাক্লগা জিরি পার্কিংদা খামগনি। ময়াই ইম্ফালদগী লাকপা গারিশিং

খাগেম্পলিদগী ক্বাকৈথেল বজারদগী তেরা বজার, নাওরেমথোং উরিপোক কেন্তিন লৈরক্তা লাক্লগা লম্ফেল সনাকৈথেলদা খামগনি। থৌবাল লোমদগী লাকপা গারিশিং শিংজমৈ বজারদগী কোংবা লম্বী অমসুং ৱাংখৈ রোমদা লাক্লগা পেলেস কম্পাউন্দ গ্রাউন্দদা খামগনি। য়াইরিপোক অমসুং অন্দ্রো লোমদগী লাকপা গারিশিং অন্দ্রো পার্কিংদা খামগনি। লৈ কৎপা লাকপা মীওইশিং মীনুংথোং অমসুং খুমন লম্পাক মাইকৈরোম খক্তদগী চংলক্কদবনি হায়রি। থৌরম পাঙথোকফমগী মনাক নকপদা লৈবা ওফিস অমদি স্কুলনচিংবগী কর্ম্মচাশিং মশা মশাগী আইদেন্তিতি কার্দ উৎলগা চংবা য়াগনি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি মীওই ১৪ নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা থেংনরে। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা পুন্না এক্তিব কেস ৩৩ শুরে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই ২৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮ পোজিটিব ওইদুনা জিলা অসিগী অপুনবা পোজিটিব ওইবা মশিং ২২ শুরে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদনা ঙসিগী ওইনা মীওই তরুক টেষ্ট তৌবদা মীওই অহুম পোজিটিব ওইরে। মসি থারগা জিলা অসিগী পোজিটিব অপুনবা মশিং তরুক শুরে। ঙসি পোজিটিব ওইবগী চাং চাদা ৩২.৬ ওইখি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি মীওই তরেৎ টেষ্ট তৌবদা অহুম পোজিটিব ওইবা থেংনরে। মসি থারগা জিলা অসিগী অপুনবা পোজিটিব ওইবা মশিং মরি শুরে।

ঙসিসু হোম আইসোলেসনদা লৈবা মীওই অমা ফগৎলকখ্রে। হৌজিক মীওই ৩০ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

**এদভাইজরি (এল)ঃ** মণিপুরদা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা কোবিদ নাইন্তিনদগী ঙাকথোকবা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং য়াওবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

মীয়ামনা ঙাকা চৎকদবশিংগী মনুংদা-মাক্স উপ্পা, সোসিএল দিসটেন্সিং থম্বা অমসুং খুৎ-শা হাম্বনচিংবা য়াওরি। মসিগী মথক্তা কনাগুম্বশিংনা হাকথি খল্লকপদা লুমান নৎত্রগা তিশু পেপরনা নাতোন অমদি চিন খুমজিনগদবনি। কোবিদ নাইন্তিননা নাবগী লায়ওং উৎল্লকপা মীওইশিং তোঙাননা থম্বগা লোয়ননা য়ারিবমখে থুনা মরী লৈনবশিংদা পাউ পীবা অমদি টেষ্ট তৌবগী থবক চথুগদবনি হায়রি।

মীয়ামনা তৌরোইদবশিংগী মনুংদা-মীয়াম তিনবা মফমদা তিন শিৎতোকপা তৌরোইদবনি, খুৎ-শা শেংনা হামদনা মিৎ-নাতোন অমদি চিনদা থেংলোইদবনি, মীয়াম তিনবা মফমশিংদা খুৎ-শা শোকরোইদবনি অমদি শ্বর হোনবা ৱাবগী লায়ওং উৎলকপা মীওইশিংনা মীয়াম তিনবা মফমদা চংলোইদবনি হায়বনচিংবা য়াওরি।

কোবিদ নাইন্তিনগা মরী লৈননা মীয়ামগী হকশেলগীদমক হায়বা মেদিকেল হেল্প লাইন অমসু হাংদোক্লে। মসিগী টোল ফ্রি নম্বরনা-১০৪ নি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাওবীতেক ময়াই লৈকাইদগী থিবা খঙদনা লৈরকপা মীওই অদুগী অশিবা হকচাং ফংলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অশিবা হকচাং অদু মফম অমদা ফুমদুনা থল্লম্বনি। ঙসি ফোরেন্সিক টিম এগজিক্যুতিভ মেজিস্ত্রেট অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মমাঙদা হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে। কেস অসিগা মরি লৈননা মীওই ৯ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি। ক্রিমিনেল কেস অমা লৌখত্তুনা হৌজিক কুপা থিজিল্লি হায়রি। মীয়ামা থিজিনবা অসিদা মতেং পাংবীনবা অমদি তোকঙা থাজবীদনবা মণিপুর পুলিসনা আপিল তৌরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ-খুরাইজম লোকেননা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি। মসিদা মরাল

লৈরম্বশিং আইনগী ওইবা চপ চাবা দন্দি শোয়দনা ফংগনি। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মীয়ামনা কাংলুপকী ওইবা ৱাফমলোমদা পুথোক্তনবা অমদি পুকিং ফাথনা লৈবিনবা এম.এল.এনা আপিল তৌরি।

**--সাউন্দ বাইট--(লোকেন)**

অমরোমদা, কবির মীহাৎতা চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়না সোসিএল ৱেলফিয়ার ক্লব-তোপ সিফাইনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

**ধরতি (এল)ঃ** ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ধরতি অবা অভিয়ান কেম্পেইন ঙসি জিরিবাম জিলাদসু হৌদোকখ্রে। থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথুগদবা কেম্পেইন অসিদা জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মখাদা পীবা কান্নবশিং মীয়ামদা খঙহনবনি।

কাংপোকপী জিলাদসু ধরতি অবা অভিয়ান কেম্পেইন চম্ফাই সব দিভিজন মনুং চন্না লৈবা খোলজাং খুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পি.ঐচ.ই. বিভাগ, লৌউ শিংউ লোইশঙ, ফিসরি, ফোরেষ্ট, সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনচিংবগা স্তোলশিং হাংদুনা সরকারনা পায়খৎপা স্কিমগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোং সব দিভিজনগী মনুং চনবা এম. সোংগেল ভিলেজতা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-চুরাচান্দপুরনা শিনদুনা ধরতি অবা অভিয়ানগী কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন-ফেরজোলনা শিনদুনা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উৎকরস অভিয়ান কেম্পেইন ঙসি হুমনি চনবা ওইনা থানলোন, সেনবোন অমসুং পাৎপুইমুনদা পাঙথোকখ্রে।

**রেড(এল) ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সকী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরবা বিষ্ণুপুরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষাগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জননা মতেং পাংলকখিবা এম্ব্যুলেন্স অমসু লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সকী মীওইশিং শরুক য়াখি।

**লৌমী(এল) ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈবা শান্তি রক্সাগী ফিভমনা অৰাবা কয়া নংলবা লৌমীশিংদা পোৎথোক লৈবা মহৈ-মরোংগী মরুশিং অমদি য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি মোইরাং কুমাম মন্দব হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অমপাফা, কপফা, লৌসাল, লাল্লুপ অমসুং লোয়ালুপনা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এগ্রীকলচর বিভাগকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমার সিনহা, সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-ডা: অনুপম মিশ্রা অমসুং বিষ্ণুপুরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনচিংবা মশক নাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থোরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তর-পিটর সলামনা হায়-শান্তি রক্সাগী ফিভমনা লৌউ শিংউগী থবক্তা অৰাবা কয়া মায়োক রিবা লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা মরু-মরাংশিং অমদি য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকপনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী হিল গার্ড অমদি উচাথোলগী মফমশিংদা শারিবা ৱাটর সেদ মেনেজমেন্ট এন্দ সসটেনেবলগী শেমগৎ শাগৎলিবা মফমশিং

ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা লুচিংবা কাংবু অমনা য়েংশিনখ্রে। হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসি নোর্থ ইর্ষ্টন কাউন্সিলগী শেন্থং মখাদা শেমগৎপনি।

মরী লৈনবা ওফিসিএলশিং য়াওনা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা শেমগৎ-শাগৎলিবশিং অদু অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা পাউতাক পীরমখি।

**মিৎ (এল)ঃ** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা ঙসি হোস্পিতাল অসিদা মিৎতা ঙৌদোংনা নারবা মীওই অনি মায় পাকা ওপরেসন তৌখ্রে।

হোস্পিতাল অসিদা হৌজিক ফাওবদা ঙৌদোংনা নাবা মীওই ৭০০ রেজিস্তার তৌরকখ্রে হায়রি। মসিগী মতাংদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার, নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইনেস এন্দ ভিজ্য়েল ইমপয়ারমেন্ট ডাঃ-বিক্রম সিংহ খোইশনামনা অসুমা হায়-

**চাইল্ড (এল)ঃ** মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী মীহুৎশিংগা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা ষ্টেট পোলিসি ফোর চিলড্রেন শেমবা অমসুং পেদিয়াত্রিক ওর চাইল্ড কোবিদ কিয়ার সেন্টর লিংখৎনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

কোবিদ নাইন্তিনগী কেস নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা অঙাংশিংগীদমক তোঙানবা পেদিয়াত্রিক কোবিদ কিয়ার সেন্টর অমা থম্বীনবসু মীহুৎ কাংবু অদুনা তকশিনখি। মীহুৎ কাংবু অদু কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা লুচিংখি।

**আরপিআই (এল)ঃ** রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অথাৱালে) মনিপুর ষ্টেট

কমিতিগী নৌনা থৌ পুগদবা ভাইস প্রসিদেন্ট অহুম অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি অনি হাপখ্রে।

দল অসিগী ষ্টেট কমিতিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) না থাদোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি।

**পরিষদ (এল)ঃ** মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ-ইম্ফালনা কুমজা ২০২৫ গী ওইনা সাহিত্য অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগী তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেনা দাকপা দান তৌবা মীওইশিংদা উপাধি অমসুং শেলগী মনা পীগদবা মীওই ২০ গী মিং লাউথোক্লে।

উপাধি ফংগদবশিংগী মনুংদা-নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ অমসুং লামাবম বিরমণি সিংহদা সাহিত্য ভুষন, সমুলাইলাৎপম নিমাই শর্ম্মদা নট-সংস্কৃত্তনদা সঙ্গিৎভুষন, মোইরাংথেম টিকেন্দ্র সিংহদা মতম ঈশৈদা সঙ্গিৎভুষন অমসুং চাউবা কামশোনদা কবুই ফোল্ক সোংদা সঙ্গিৎভুষননচিংবা য়াওরি। মনাশিং অসি ৯০ শুবা মনিপুরি সাহিত্য পরিষদকী চহিগী মীফম মরী লৈননা লাম্হোক্কনি হায়রি।

**জয়েন্তি (এল)ঃ** বিশ্ব শম্বাদ কেন্দ্র-মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি দেভারশি নরদ জয়েন্তি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা ভাস্কর প্রভাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দেভারশি নরদগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**চিফ ঃ** চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল-উপেন্দ্র দ্বিবেদি অমসুং হান্নগী চিফ ওফ আর্মি ষ্টাফশিংগগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থৌরম ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে।

মীফম অসিদা হান্না ভারত লাম্মীগী মকোক ওইরম্বা মীওইশিংদগী মখোয়গী এক্সপরিয়েন্স অমদি ৱাখল লৌশিংশিং ফোংদোক্তুনা ভারত লাম্মীবু হেন্না ফবা

থাক্তা পুখৎনবা পান্দম থল্লি। থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা জেনরেল দ্বিবেদিনা হায়-হান্নগী লান্মীগী লুচিংবশিং অসিনা ভারত লান্মীগী তুংগী লাইবক লেপ্পা অমসুং মমায় চুম্বদা চাউনা মতেং পাংলগনি। ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স অমসুং নেভিগা লোয়ননা ভারত লান্মীনা ওপরেসন সিন্ধুর মায় পাকা পাঙথোকখিবগী মতাংদসু জেনরেল দ্বিবেদিনা ফোংদোকখি। মীফম অসিনা ভারত লান্মীবু মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়নসু মহাকা থাজবা ফোংদোকখি।

**প্লেন ঃ** অহমেদবাদ প্লেন কায়বদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা ১৬২ দি দি.এন.এ. সেম্পলশিং মশক খঙদোক্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে।

গুজরাটকী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-হরস সংহাবিনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-রাজ্য সরকারনা কেন্দ্রগী এজেন্সিশিং, ফোরেন্সিক অমসুং লিগেল এক্সপার্টশিংগা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং মশক খঙদোকবা অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্ননবা মখা তানা থবক পায়খৎলি।

**ফুটবোল ঃ** অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং-রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ননা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৬-১ দা, ক্ষেত্রি ইরিল মপান য়ুথ ক্লবনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০ দা, য়ু.দি.ওনা দিমাপুর রোড এঠলেটিক ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমদি ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিয়েসননা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইমোইনু

এফ.সিনা মেমা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**কাং ঃ** ২৫ শুবা অরাম্বম সোমেরেন্দ্রো নীংশিং কম ওন লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইস ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে.কে.সি.ও. কৈশামথোং কেন্দ্রনা দব্লিয়ু.এ.এল.ৱাই.বি.এ.-ৱাবগাই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৯-১৭ তা থোইখ্রে।

**বোদিঃ** ভুটানগী থিমফুদা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা সাউথ এসিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়ারুবা ওল মনিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী শান্নরোই-কে. অরনোল সিংহনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরক্লে অমদি য়ুমাম থোমাসনা মঙাশুবা তাখি।